# য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টদা ৱাখল ফাথনবা মালেমগী পৱারশিংনা লান শোক্করিবশিংদা আপিল তৌখ্রে




বর্লিন, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী অকোয়বদা মিলিটরি ফোর্সশিংনা ৱাখল ফাথননবা অমসুং য়ুএন ইন্সপেক্তরশিংবু খুদক্তা সাইট অদুদা চঙদুনা য়েংশিনবা য়াহন্নবা জমর্নি, ফ্রান্স, বৃটেন অমসুং য়ুএসনা লান শোক্করবশিংদা আপিল তৌখ্রে।

য়ুক্রেনগী খা থংবা সিটি ইন্নরহোদারদা লৈবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অসি হৌখিবা মার্চকী অঙনবা শরুক্তা রসিয়ন ফোর্সশিংনা পায়শিনখিবনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা কমপ্লেক্স অদুদা নাকল অনীগী লান কনশিল্লকখিবগা লোয়নননা মালেমগী পৱারশিংনা য়াম্না মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা মওংদা শাথিবা ফিবম অমা লাক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবনি।

য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোন, জর্মন চান্সেল্লর ওলাব সোলস অমসুং বৃটিস পিএম বোরিস জোন্সন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা জাপোরিজিয়া প্লান্ট অমদি য়ুক্রেনগী লান অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, লুচিংবশিংনা ৱারী শান্নবা অদুদা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুগী মনাক্তা মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পগী তঙাই ফদবা লৈ অমসুং ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) গী ন্যুক্লিয়র এক্সপার্টশিংবু সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিগীদমক্তা ফেসিলিটি অদুবু ইন্সপেক্সন তৌহনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমশিং য়ানখি।

জমর্নিদা চান্সেল্লর সোলসকী স্পোক্স পার্সন অমনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা অকন অরিং শীংদুনা চথুরিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা য়ুক্রেনবু মখা তানা সপোর্ট পীবগী ৱাফম মখোয়না ৱারী শান্নবা অদুদা য়ানখি। রিএক্টর তরুক য়াওবা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অসি য়ুক্রেনগী ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাইগীদমক্তা য়াম্না মরু ওইরিবনি।

কিভনা হায়রি, মদুদি রসিয়ন ট্রুপশিংনা প্লান্ট অদুবু চুঙ্গোই অমা ওইনা শীজিন্নদুনা মদুদগী দনিপ্রো রিজার্বরগী মায়োক্লবা মপানদা লৈবা মফমশিংদা এটেক কয়া চথুরি। রসিয়ন ফোর্সশিংগী থৌওং অদু অরুবা মফম অদুদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা খুৎ হনবা পাল্লোই হায়না খনবদগীনি। ক্রেমলিন অমসুং মসিগী লোকেল রিপ্রজেন্টেটিবনা ক্লেম তৌরি মদুদি য়ুক্রেনিয়ন টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী টার্গেটশিংদা সেল এটেক চথুবা নত্তনা মখোয়না সাইট অদুদগী অকোয়বা মফমশিংদা এটেক তৌবা লৈতে।

রসিয়ানা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেননা ড্রোনশিং, হেভি আর্টিল্লরি অমসুং রোকেট লোঞ্চরশিং শীজিন্নরগা প্লান্ট অদুদা এটেক তৌরি। অয়াম্বা মতমদা রসিয়ন এয়র দিফেন্সনা প্রোজেক্টাইলশিং ইন্টরসেফ তৌই। পুন্নমক অসি ওইদুনসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর খরদি মমাঙদা প্রোজেক্টাইলশিংনা হিট তৌবদগী অমাঙ অতা থোকখ্রে। অদুম ওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরিবা সেফতি অমসুং কন্ট্রোল সিষ্টেমদা অমাঙ অতা থোকপদি লৈত্রি। লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা রেদিও এক্তিভিটিগী থৌওং হেনগৎলকপগী খুদম চাংদমসু লৈত্রি। সাইট অদুদগী ট্রুপশিং লৌথোক্লবা মালেমগী লৈবাকশিংনা তৌরিবা আপিলশিং রসিয়ানা রিজেক্ট তৌদুনা লাক্লবসু আই এ ই এগী এক্সপার্টশিংবুদি প্লান্ট অদুদা চঙদুনা য়েংশিনবা য়াহনগনি হায়রি।

ৱাফম অসিগী মতাংদসু আই এ ই এগী ইন্সপেক্তরশিং অদুগী চখোক চৎশিনগী লম্বীশিংগী মতাং য়াওনা অতৈ অকুপ্পা ৱাফমশিংগা মরী লৈননা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা য়ান্নদবা কয়া হৌজিকসু লৈরি। মসিনা মিশন অদু তপথবগী মরম ওইরিবনি।

চৈরকসিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা ইষ্টর্ন দোনেটস রিজনদা মখা তানা চঙশিন্দুনা স্লোভিয়াঙ্কস, করামোটোস্ক অমসুং অপদিগিয়া সিটিশিং য়ৌননবা হোৎনরকখিবদা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন জেনরেল ষ্টাফনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়াদা টেররিষ্ট এটেক চথনবা থৌরাং তৌরম্বা সুইসাইদ বোম্মর দিটেন তৌখ্রে



মোস্কো, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
প্রোফেট মোহম্মদকা মরী লৈননা ফজদবা ৱাফম খরা ফোঙদোকখিবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী লিদরশিপ এলিটকী মেম্বর অমগী মায়োক্তা সুইসাইদ এটেক চথনবা থৌরাং তৌরম্বা ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্ট অমা রসিয়াদা দিটেন তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী টোপ ইন্টলিজেন্স এজেন্সি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী ফেদরেল সেক্যুরিটি সার্ভিস (এফ এস বি) গী মতুং ইন্না ফোরেন নেসনেল অদু কুমজা ২০২২ গী এপ্রিল অমসুং জুনগী মরক্তা টর্কিদা সুইসাইদ বোম্মর অমা ওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ৱিং লিদরশিংগী মনুংদা অমনা রিক্রুট তৌখিবনি।

এফ এস বিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি ফেদরেল সেক্যুরিটি সার্ভিসনা রসিয়ন ফেদরেসন্না অথিংবা থমখ্রবা ইস্লামিক ষ্টেট ইন্টরনেসনেল টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর অমা রসিয়াদা মশক খঙদোকপগা লোয়নননা ফাখি।

ফারবা মীওই অদু সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক অমদগীনি। মহাক্না মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্দুনা ইন্দিয়াগী রুল্লিং সার্কলশিংগী মেম্বর অমগী মায়োক্তা টেররিষ্ট এটেক চথনবা থৌরাং তৌরমখি। রসিয়ন ফেদরেল সেক্যুরিটি সার্ভিসকী সেন্টর ফোর পব্লিক রিলেসন্স (সিপিআর) না হায়, টেররিষ্ট অদুগী আইদোলোজিকেল ইন্দোক্ত্রিনেসনগী থবক অদু ইষ্টানবুলদা আই এসকী মীহুৎ অমগা হকথেংননা উন্নখিবা মতমদা অমসুং টেলিগ্রাম মেসেঞ্জর একাউন্টশিংগী খুত্থাংদা কন্দক্ট তৌখি।

এফ এস বিনা হায়রি, মদুদি সুইসাইদ বোম্মর ওইগদৌরিবা মীওই অদু আইএসগী ইমির (চিফ) কী ওর্দর মতুং ইন্না থবক তৌগদৌরিবনি। মঙোন্দা মিশন অদু শীন্নখিবগা লোয়নননা মহাকপু রসিয়া থাদোক্লবা, মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং লাংননবা অমদি ইন্দিয়াদা পায়দুনা টেররিষ্ট এটেক চথনবা ইন্সট্রক্সন পীখি। রসিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিনা আইদেন্টিফাই তৌখিবা টেররিষ্ট অদুদা মহাক প্রোফেট মোহম্মদপু থৌওই উশিৎতবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী রুল্লিং সার্কলশিংগী মেম্বর অমগী মায়োক্তা এটেক চথনবা শেম শারম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিপিআরনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থাদোরকখিবা মহাকপু ইন্টরোগেসন চথবগী ভিদিও অমদা সুইসাইদ বোম্মর ওইগদৌরিবা মীওই অসিনা হায়খি, মদুদি মহাক কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা আইএসকী ইমিরদা গ্রুপ অসিবু শৌগৎকনি হায়না ৱাশকখি অমসুং স্পিসল ট্রেনিং চথখি। মদুগী মতুংদা মহাক রসিয়াদা পায়শিনখিবনি।

# চাইনাগা উংখৎনবা মরক্তা য়ুএসকী অতোপ্পা দেলিগেসন অমা টাইৱানদা থুংখ্রে



টাইপৈ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
চাইনাগা উংখৎনবা হেনগৎ-লক্লিঙৈ মরক্তদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুএসকী অতোপ্পা দেলিগেসন অমা ওকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইন্দিয়ানাগী গভর্নর ইরিক হোলকোং নুমিৎ মরিনিগী ওইবা খোঙচৎ অমদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা টাইপৈদা থুংখি। মফম অদুদা হেক থুংবদা মহাক্না ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি টাইৱান অমসুং সাউথ কোরিয়াদা চৎপা ইকনোমিক দিভলপমেন্টগী খোঙচৎ অমগীদমক্তা ঐহাক টাইপৈদা থুংখি। ইন্দিয়ানা অসি টাইৱানগী বিজিনেস তরা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী বিজিনেস ১২ লৈরিবা মফমনি।

হন্দক্কী চয়োল অসিনা ঐহাক্না সাউথ কোরিয়াদা গভর্ণর ওইনা চৎপা অনীশুবা খোঙচৎ ওইগদৌরিবনি। পেন্দামিক্কী মমাঙদগী হৌজিক ফাওবদা টাইৱানদা চৎপা অহানবা গভর্ণর ওইবগী খুদোংচাবা ফঙবা অসিদা ঐঙোন্দা চাওথোকচবা পোকচৈ।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানাগী গভর্নরগী টাইৱান খোঙচৎ অসি হন্দক্তা য়ুএস হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসি অমসুং টোপ দেমোক্রেট ইট মার্কিনা ঈথৎ অসিদা চৎখিবদা বৈজিংনা খোইরাং খোইশাওবা উৎলকখিবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি।

বৈজিংনা টাইপৈ অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা ওফিসল কন্টেক্টশিং শাগৎপগী ৱাফম রিজেক্ট তৌরিবনি। এলওসিনা ওগষ্ট ২ দা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী পাউখুম ওইবা বৈজিংনা টাইৱানগী অকোয়বদা মিলিটরি মেনুভর্স পাকশন্না চথুখিবনি।

# পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ইমরান খান ফাননবা খন্নরকপদগী মহাক্কী ময়ুম লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি কাঙবুনা কোয়শিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু ফাজিন্নবা খন্নরকপগা লোয়নননা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিং, পুলিস কম্মান্দোশিং, রেঞ্জরশিং অমদি কন্সটেবুলেরিগী কন্টিঞ্জেন্ট কয়া পাকিষ্টানগী হান্নগী পিএম ইমরান খানগী রেসিদেন্সকী অকোয়বদা দিপ্লোই তৌখ্রে অমসুং য়ুম অদু য়ৌগদবা লম্বী পুন্নমক থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক থিংজিনখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ইমরান খানবু ফাগদ্রা নত্ত্রগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমগদ্রা হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা ৱারেপ লৌবদি লৈত্রি হায়না ওপরেসন অদুগী ষ্ট্রেটেজিগী নোলেজ লৈবা সোর্স খরনা ড ন্যুজতা ফোঙদোরকখি।

সোর্সশিং অদুনা হায়, ইমরান খাননা মহাকপু পুলিসনা ফা পুনবা নত্ত্রগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্বা অসি পামদবনা পিটিআইগী লুচিংবা অসিদা হৌজিকসু নিগোসিএসন চথুরি। ওথোরিটিশিংনা ফিভম অদু লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী মতেংগা লোয়নননা হেন্দল তৌবগী থৌরাং কয়া খন্নরি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মরী লৈনবা কার্টর্সতগী অয়াবা পীরকপা ঙাইরি।

সোর্সশিং অদুনা মখা তানা হায়, ইমরান খাননা রিলিফ ফঙনবগীদমক্তা হায়র জুদিসরিগী মতেং লৌনবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসু মহাক অহানবা খোঙথাং ওইনা পুলিসতা সরেন্দর তৌবা মথৌ তাগনি। সোর্সশিং অসিগী মতুং ইন্না হান্নগী পিএম অসি মোবাইল ফোনগী মতেংগা লোয়নননা পার্টিগী লিদরশিপকা ঈ পাউ ফাওনরি অমসুং মহাকপু ফাবা মতমদা করি করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ইন্সট্রক্সনশিংসু পীরি।

ড ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি পিটিআইগী এক্তিভিষ্টশিং বনিগালাগী অকোয়বদা পুল্লগা লৈরি। তৌইগুম্বসুং রিপোর্ট অসি ফাইল তৌবগী মতম ফাওবদি মফম অদুদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপগী পাউ ফংখিদে।

সোর্সশিংগী মতুং ইন্না পিটিআইগী চীফ অসিবু ফাননবগীদমক্তা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা পিএমগী ওফিসতগী পার্মিসন পীরক্লবা ইদুনা হায়জখ্রে। সোর্স খরনা হায়রি, মদুদি হান্নগী পিএম অসিবু ফাবা হায়বসি রুল্লিং এল্লায়ন্সতা য়াওরিবা পার্টি পুন্নমক য়ান্নরগা লৌখৎকদবা খোঙথাংনি।

চৈরকসিদা পিপিপিগী লুচিংবা অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিফ আলি জর্দারিনা খানবু ফাবগী ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইমরান খানবু ফাবা হায়বসিনা রুল্লিং এল্লায়ন্সতা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়না জর্দারিনা থাজরি।

# সাউথ কোরিয়া, য়ুএসনা চহী মরিগী মতুংদা কম্বাইন্দ মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিগ্যুলর কম্বাইন্দ মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌখিবগা লোয়নননা চহী মরিগী মমাঙদা সস্পেন্দ তৌখিবা অচৌবা ফিল্ড ট্রেনিং অমুক মখা চথখ্রে। উলচি ফ্রিদম সিল্ড (য়ুএফএস) এক্সর্সাইজ অদু সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা চথগদৌরিবনি। মদুদা হান্নগী মুন জে-ইনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না পিওংয়াংদা মরা তপ্পা ফিভম লিংবা ঙম্নবা হোৎনবদগী হৌখিবা চহী কয়াদা পাঙথোকখিদ্রবা ফিল্ড মেন্যুবরশিংগুম্বা কন্টিঞ্জেন্সি ড্রিলশিং য়াওগনি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মখোয়গী এক্সর্সাইজ অদুদা রিএক্ট তৌবগী মিংদা পিওংয়াংনা কায়হৌবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবনা মীচং লৈবাক অনীনা ভিজিলেন্সকী থবক কনখৎলক্লি। পিওংয়াংনা কম্বাইন্দ মিলিটরি ড্রিল অদুবু লানগী রিহার্সেল অমনি হায়রিবনি। মপুং ফানা লান চথবগী মওংদা চথরিবা এক্সর্সাইজ অদু সেগমেন্ট অনীগীনি। অহানবা সেগমেন্টদা নোর্থ কোরিয়াগী এটেকশিং হলহন্নবগী ড্রিলশিং অমদি গ্রেটর্স সিওল এরিয়া দিফেন্দ তৌবগী ড্রিলশিং য়াওরি অমদি অনীশুবা সেগমেন্টনা কাউন্টর এটেক ওপরেসনশিংদা মীৎয়েং থল্লি।

অহানবা সেগমেন্টগী এক্সর্সাইজ মনুংদা সিওল গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা উলচি সিভিল দিফেন্স ড্রিলশিং পাঙথোক্কনি। মদুদা লানগী মতমদা সপোর্ট পীবদা চথরক্কদবা মেন্যুবরশিং প্রেক্তিস তৌগনি। য়ুএফএসতা তোঙান তোঙানবা রিএল-লাইফ সিনারিওশিংগী ওইবা ড্রিলশিং য়াওগনি।

ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিংদা প্লান্ট তৌরবা ইম্প্রোবাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইসশিং দিটেক তৌবা, সেমি কন্দক্টর ফেক্তরি অমদা মৈ চাক্লকপা মতমদা রেস্পোন্স পীবনচিংবদা করি করি থৌরাংশিং চথুগদগে হায়বদু য়াওগনি।

# অনীশুবা ফর্টিলাইজর শিপমেন্ট শ্রী লঙ্কাদা থুংখ্রে

কলম্বো, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
শ্রী লঙ্কাগী মীয়ামদা শেল থুমগী মতেং পীননবা ইন্দিয়ানা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অমগী মখাদা ন্যু দিল্লিনা সপ্লাই তৌখিবা ফর্টিলাইজর মেট্রিক টন ২১,০০০ হেনগদবা অনীশুবা শিপমেন্ট নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রী লঙ্কাদা থুংখ্রে।

ফর্টিলাইজরগী কন্সাইনমেন্ট অদু শ্রী লঙ্কাদা লৈবা ইন্দিয়াগী হাই কম্মিস্নর গোপাল বাগ্লেনা ওফিসল ওইনা শীন্নখি। কলম্বোদা লৈবা হাই কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ত্বিটর পোষ্টশিংদা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কাগী মীয়াম্না য়াম্না মথৌ তারিবা ফর্টিলাইজরগী অনীশুবা শিপমেন্ট থারক্লিবা অসিনা লৈবাক অসিগী ফ্রেন্দশিপ অমসুং কো ওপরেসন হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। মসিগী মমাঙদা হৌখিবা থাদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা ফর্টিলাইজর টন ৪৪,০০০ সপ্লাই তৌখ্রবনি। ঈথৎ লৈবাক অসিদা ইন্দিয়ানা চহী অসিদা পীরিবা মতেং অসি পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ৪ রোমগী ওইগনি হায়রি।

# সোমালিয়াদা টেররিষ্টশিংনা হোটেলদা এটেক তৌবদা মীওই ২১ শিরে

মোগাদিসু, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা লৈবা পোপ্যুলর হোটেল অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখিবদা মীওই ২১ শিরে হায়না সোমালি গভর্ণমেন্টনা কনফার্ম তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, টেরর এটেক অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা চথরকখিবনি। হেল্ঠ মিনিষ্টর আলি হাজি অদানননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবদা অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই ১৫ গী ফিবম লুনা লৈ। এটেক্করশিং অদুনা হায়ট হোটেল মনুংদা চঙবদা বোম কয়ামরুম পোকখায়হনখি অমসুং মখোয়না পুং ৩০ রোম চুপ্না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা সোমারি নেসনেল টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙলদুনা হাজিনা হায়খি, মদুদি মোগাদিসুদা লৈবা মীয়াম্না পাম্নরবা হায়ট হোটেলদা চথখিবা শাথিরবা টেররিষ্ট এটেক অদুদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১১৭ না অশোক অপন নঙখ্রে।

মদুগী মমাঙদা পুলিস কম্মিস্নার অমদি হাসন মোহম্মদনা মোগাদিসুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি মোগাদিসুগী হায়ট হোটেলদা অল-সবাবকী টেররিষ্টশিংনা চথখিবা এটেক অমদি মখোয়না হোটেল অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্নবা হোৎনখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মায় পাক্লা লেপহনবা ঙমখ্রে।

মোহম্মদনা হায়খি, মদুদি ওপরেসন অদুদা স্পিসেলাইজ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোটেল অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমখি।

ওপরেসন অদুদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা পুন্না ১০৬ কনবা ঙমখি।

# অফঘানিষ্টানগী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ১৪ শিরে

কাবুল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী পাক্তিয়া প্রোভিন্সতা নোং কন্না চুবদগী মফম খরদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙলে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা নোংমাইজিংগী অথেংবদা পাক্তিয়া প্রোভিন্সকী কেপিটেল সিটি গার্দেস অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগী মফম খরদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙখি।

পুন্না ৩৫৮ মপুং ফানা মাঙ তাকখি অমসুং অতৈ ৬৭৬ সু কুমগী নোং অদুনা পার্সেল ওইনা মাঙহন তাকহনখি। নোং কন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাও থুনা থোক্লকখিবা অদুদা শা ১৪৩০ হেন্নসু শিখি। লোয়নননা কিলোমিটর চা কয়াগী লম্বীশিং অমদি রিটেনিং ৱাল কয়া, থোং অমদি দাম কয়াসু মাঙ তাকখি।

থাংজ নুমিত্তা পাক্তিয়াগা য়ুমথংনরিবা লোগার প্রোভিন্সকী হুসি দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং ঈচাও অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই ১৫ শিহনখি অমসুং মীওই মাপন অশোক অপন নঙহনখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা খরা অসিদা লানগী চৈথেং নঙলবা অফঘানিষ্টানগী প্রোভিন্স ৩৪ গী মনুংদা প্রোভিন্স ১০ দা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা থোক্লকখিবা ঈশিং ঈচাওদা মীওই ২০০ হেন্না শিখ্রে।

# চাইনাদা ঈকং থোকপদগী য়াংজে তুরেল কংশিল্লক্লে

বৈজিং, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):
চাইনাদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ঈকং থোক্লকপদগী য়াংজে তুরেলগী মফম কয়া য়াওনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা তুরেল খরগী ঈচেল কংহনখিবগা লোয়নননা হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টশিং অমদি শিপ্পিংগী থবকশিংদা চাওনা অকায়বা থোক্লে অমদি মরু ওইবা কম্পেনিশিং থবক লেপখ্রে হায়রি।

চাইনাগী মী কুংনা তারিবা খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা মখা তানা সেপ্টেম্বর ফাওবদা শাথিরবা হিটৱেবকী ফিভমশিং লৈখিগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখিবগা লোয়নননা ওগষ্ট ১৯ দা লৈবাক শীন থুংনা ঈকংগী এলার্ট শীন থুংখি। চাইনাগী পাক শল্লবা হাইদ্রো পৱার সিষ্টেমদা ঈচেলদা সিষ্টেমদা ঈশিং সপ্লাইগী চাং কা হেন্না নেল্লকপদগী হাইদ্রো পৱারদগী ইনর্জি অপুম্বগী চাদ ৮০ হেন্না ফঙদুনা শীজিন্নরিবা সিচুৱানগী ফিভম লুশিল্লকখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা সিচুৱানগী হাইদ্রো পৱার রিজর্বরশিংদা ঈশিং সপ্লাই তৌবগী তঞ্জায় অমা ফাওবা হন্থখিবগা লোয়নননা প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ৱার্নিং লাউথোকখি।

চৈরকসিদা, হন্দক্কী কালেন থাগী মতম অসিদা ইলেক্ট্রিসিটিগী দিমান্দ হান্নদগী চাদা ২৫ ফাওবা হেনগৎলক্লে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পৱার জেনরেসনগী চাং কা হেন্না নেল্লকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োলদা প্রোভিন্স অসিনা ফেক্তরিলিশিং কয়াদা পীরিবা পৱার সপ্লাই সস্পেন্দ তৌখি নত্ত্রগা সপ্লাইদা পনখৈ থমখি। মীয়ামদা পীরিবা পৱারগী চাংসু হন্থহনখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
WANGOI, IMPHAL WEST

**Mutation Case No. 211/SDC/Wangoi, Imphal West of 2022**

Shri Taiyenjam Rajen Singh, S/o (L) T. Kala Singh of Leiphrakpam Mayai Leikai, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District, Manipur **-Petitoner**

-Vs-

(L) Shri Taiyenjam Kala Singh, S/o (L) Ramananda Singh of Laiphrakpam, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District, Manipur

**-Opposite Party**

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Wangoi, Dated 22/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Petioner গী মপা মৃতু Pattadar Taiyenjam Kala Singh গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 84-Laku Huidrom গী Patta No. 342 (N) গী C.S. Dag No. 593 গী area 0.71000 acre of Phourel Class অসি পেটিস্নর Taiyenjam Rajen Singh গী মিংদা নামা পানশিনবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/IW-Wangoi গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৯-০৮-২০২২ গী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্ত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

HL-P/3721/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
WANGOI, IMPHAL WEST

**Mutation Case No. 212/SDC/Wangoi, Imphal West of 2022**

1) Heisnam Manitomba Meetei, S/o (L) Khomei Meetei
2) Heisnam Sharika Leima, W/o H. Manitomba @ Mocha Meetei
(Applicant 1 & 2 - 0.05000 acre on the easternmost portion)
3) Heisnam Ngongo Meetei, S/o (L) Khomei Meetei
4) Heisnam Kiranbala Leima, W/o Heisnam Ngongo Meetei
(Applicant 3 & 4 - 0.05000 acre on the east middle portion)
5) Heisnam Chingkheinganba Meetei, S/o (L) Khomei Meetei
(Applicant 5 - 0.03000 acre on the westernmost portion)
All are resident of Samurou Makha Leikai, P.O & P.S. - Wangoi, Imphal West District, Manipur **-Petitoner**

-Vs-

(L) Heisnam Khomei Singh, S/o (L) Charu Singh of Samurou Makha Leikai, P.O. & P.S. - Wangoi, Imphal West District, Manipur

**-Opposite Party**

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Wangoi, Dated 22/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Petioner শিংগী মপা অমসুং মকুবোক মৃতু Pattadar Heisnam Khomei Singh গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 90-Samurou গী Patta No. 1061/1647 (N) গী C.S. Dag No. 1680/1967 গী area 0.13000 acre of Ingkhol Class out of 0.17000 অসি পেটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানশিনবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/IW-Wangoi গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৯-০৮-২০২২ গী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্ত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

HL-P/3721/23

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

**NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd August 2022

No. IMC/E/529/2010: In accordance with the provisions under Sections 211(1) and 212 of the Manipur Municipalities Act, 1994, it is, hereby, notified for information of the general public that Imphal Municipal Corporation proposes to amend the existing "The Imphal Municipal Council Building Bye-laws, 2013" as "The Imphal Municipal Corporation Building Bye-laws (2nd Amendment), 2022" with prior approval of the Government of Manipur vide, letter No. AMS-1011/2/2022- MAHUD-MAHUD dated 6/07/2022.

Any objection(s)/suggestion(s) to the proposed amendment may be submitted to the undersigned within 15 (fifteen) days from the date of publication of this Notification in the Official Gazette. The objection/suggestion received after the aforesaid period shall not be entertained.

Copies of the aforesaid "The Imphal Municipal Corporation Building Bye-Laws (2nd Amendment), 2022" shall be made available for inspection in the office of the undersigned during office hours. The same shall also be available on the Imphal Municipal Corporation website: www.imc.mn.gov.in

**Sd/- Th. Harikumar Singh**
**Municipal Commissioner**
**Imphal Municipal Corporation**

HL-B/7809/23

**Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.**

**(A Government of Manipur Enterprise)**
**Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone : 0385-2442381**

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / **NOTICE**

Imphal, the 18th August, 2022

No. MHHDC-143/SHE/2022-23: Applications indicating names, address, aadhar number. Weaver Card No., Handloom Mark, bank account number with IFSC. Contact number, etc are invited from the intending handloom weavers, entrepreneurs, society or organization for participation in the State Handloom Expo to be organised under the sponsorship of the Development Commissioner for Handlooms, Ministry of Textiles, Government of India as given below.

| S. N. | Name of Expo | Venue | Date |
|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) |
| 1. | State Handloom Expo | G.M. Hall, Imphal | 04.09.2022 to17.09.2022 |

2.0 Only 60 stalls shall be allotted.
3.0 Selected participants shall be paid TA/DA as per the guidelines of the scheme
4.0 Last date for application is 30th August, 2022. No further request shall he entertained after the last date in any case.
5.0 Personal interview shall be conducted on 31.08.2022 at 10.00 AM

Interested handloom weavers, entrepreneurs, society or organization may submit their application consisting of the above information to the Manipur Handloom and Handicrafts Development Corporation Ltd at Paona Bazar. Imphal.

**Sd/- E. Jeeten Singh**
**Managing Director**

HL-P/3929/23